মোইরাংথেম ইবোবী মেমোরিএল ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০

পি আর ৱাই এনা অংথা এফ সীবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ২১দগী হৌদুনা নেসু গ্রাউন্দ খুরাইদা চথরক্লিবা মোইরাংথেম ইবোবী মেমোরিএল ইম্ফাল ইষ্ট ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা পি আর ৱাই এনা অংথা এফসীবু পাঞ্জল ৩-০দা অদুগা সী এস সীনা এস এস সীবু পাঞ্জল ২-১দা থোইখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চথরিবা মোইরাংথেম ইবোবী মেমোরিএল ইম্ফাল ইষ্ট ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা পি আর ৱাই এ অমসুং অংথা এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবগা টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নখিবনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈনখি।

অনীশুবা হাফতা পি আর ৱাই এনা ফজবা হেল্লক্তুনা মেচকী ৪৯শুবা মিনটতা মালেমঙানবা জর্সি নম্বর ১১না পাঞ্জল চন্দুনা ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। শুপ্পগী মিনট ৪ কান্নরগা মেচকী ৫৩শুবা মিনটতা কে জেক জর্সি নম্বর ১৮না পাঞ্জল অমগা চনখি। মেচকী ৬৯শুবা মিনটতা টিমমেট মালেমঙানবনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা ৩-০দা অমুক লৈহনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা অংথাগী মায়কৈদগী মখোয়গী শোথরিবা পাঞ্জলশিং অদু অমত্তা হন্দোকপা ঙমদবদগী মায়থীহৌখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা এস এস সী অমসুং সী এস সী লম্বা তৌনখি। মেচকী ২৫শুবা মিনটফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা লৈনখিদে। মখা তানা সী এস সীগী শান্নরোয় টি ঐচ অবুং জর্সি নম্বর ১৭না মেচকী ২৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল চন্দুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ১-০দা মাঙজিল থাহনখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা এস এস সীগী শান্নরোয় এম দি ইমটিয়াস জর্সি নম্বর ৭না মেচকী ৫৭শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ তৌদুনা ১-১দা লৈহনখি। সী এস সীগী মায়কৈদগী পাওগুমাঙ জর্সি নম্বর ৫না মেচকী ৭৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল চন্দুনা মেচ অদু ২-১দা মায় পাকখি। হয়েং নুংথিল পুং ১ তাবদা এন আই ভি এস ও অমসুং ঈ এস য়ু অদুগা নুংখিল পুং ৩.৩০ তাবা মতমদনা এনঈএসয়ু অমসুং য়ুপিএসএ লম্বা তৌনরগনি হায়রি।

এ আই এফ এফ সব জুনিয়র নেসনল ফুটবোল টুর্নামেন্ট

অরুনাচল প্রদেশনা মণিপুরবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ (ঐচএনএস): ওলইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লিবা এ আই এফ এফ সব জুনিয়র নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর বোইজ ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা ক্বালিফায়িং মেচতা অরুনাচল প্রদেশনা মণিপুরবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

এ আই এফ এফ সব জুনিয়র নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর বোইজ ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মঙাশুবা মেচতা অরুনাচল প্রদেশ অমসুং মণিপুর লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা হাফ হেক হৌরকপগা অরুনাচল প্রদেশনা মণিপুরবু লাকচনা শান্নরকখি।

মেচকী ২৪শুবা মিনটতা অরুনাচল প্রদেশনা পেনালটি কাওবগী খুদোংচাবা অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু টিম অসিগী শান্নরোয়ে মাম প্রেমা শেপ্রানা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাখি। মণিপুর টিমগী মায়কৈদগী অরুনাচল প্রদেশনা চনখিবা পেনালটিগী পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা অকনবা শাফুগা লোয়ননা হোৎনরকখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা টিম অনীনা অমনা অমবু হেনজিন্নবা য়াদবা মওংদা লম্বা তৌনরকখি। মেচকী ৪৮শুবা মিনটতা অরুনাচল প্রদেশকী শান্নরোয় দোর্জী লেদা লেপচানা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা মেচ অদু ২-০দা অমুক মাঙজিল থাহনখি। মণিপুর টিমগী মায়কৈদগী মখোয়গী শোথরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখিবগী মহয়না মেচকী ৭০শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১১ নিংথৌজম অবুংতোননা পাঞ্জল অমা হন্দোক্তুনা ১-২দা অমুক লৈহনখি।

পাঞ্জল অমা হন্দোক্লবা মতুং মণিপুরগী টিমনা লেপ্পা লৈতনা শোথরিবা পাঞ্জল অমা অদুগা হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অদুবু অরুনাচল প্রদেশকী দিফেন্স লাইন য়াম্না লীংনা লৈখিবনা মখোয়গী হোৎনজমল মহয় য়ানখিদে। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা শোথরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু অরুনাচল প্রদেশনা ২-১দা মায় পাকখি। এ আই এফ এফ সব জুনিয়র নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর বোইজ ২০১৯-২০গী মখা চথরকপা মেচ ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ৩ তাবদা মিজোরাম অমসুং অসাম লম্বা তৌনরগনি।

১৭শুবা কিশোরকুমার মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯

এ আই এফ এ ইরেংবন্দ অমসুং দি ৱাই এ এলাংখানপোকপী পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে, এস দব্লিয়ু সী ৱাইখোংনা এ কে এস এ ককচীং থোইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা শীন্দুনা দি এস এ প্লেগ্রাউন্দদা চথরিবা ১৭শুবা কিশোরকুমার মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এ আই এফ এ ইরেংবন্দ অমসুং দি ৱাই এ এলাংখানপোকপী পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে। অদুগা এস দব্লিয়ু সী ৱাইখোংনা এ কে এস এ ককচীং থোইখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চথরিবা ১৭শুবা কিশোরকুমার মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা এ আই এফ এ ইরেংবন্দ অমসুং দি ৱাই এ এলাংখানপোকপী লম্বা তৌনখি।

মেচ অসি হেক হৌরকপগা টিম অনীনা অমনা অমবু হেনজিন্নবা ঙম্নদনা লম্বা তৌনরকখি। মেচকী অঙনবা শরুক হায়বদি ৬শুবা মিনটতা দি ৱাই এগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৮ দব্লিয়ু সিবদাসনা মহাক্কী টিমগী একাউন্ট হাংদুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। সিবদাসনা চনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা এ আই এফ এ ইরেংবন্দগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনরকখিবগী মিনট ২৪ চৎপদা টিম অসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৪ স্পেন্সনা পাঞ্জল চন্দুনা মেচ অদু ১-১দা ইক্বেলাইজ তৌখি। মখা তানা টিম অনীনা অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনরবসু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা টিম অনীনা মখা তানা মায় পাক্লবা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনরকখি। অদুবু মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা টিম অনীনা অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদবদগী মেচ অদু ১-১দা দ্রো চৎখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা এ কে এস এ ককচীং খুনৌ অমসুং এস দি সী ৱাইখোং লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবগা টিম অনীনা অকনবা মওংদা য়াম্না ফজনা তক্লদুনা শান্নরকখি। অদুবু টিম অনীগী দিফেন্স লাইন য়াম্না লীংনা লৈনখিবনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা এস দব্লিয়ু সী ৱাইখোংগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা শান্নরম্বা অদুদগী তোঙান তোঙানবা টেক্নিক কয়া পুথোক্তুনা এটেকশিং চথরকখি। মেচকী ৬৮শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৯ টেজ কুমারনা মহাক্কী টিমগী একাউন্ট হাংদোক্তুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। টেজকুমারনা চনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা এ কে এস এ ককচীংগী মায়কৈদগী অকনবা শাফুগা লোয়ননা হোৎনরকখি। অদুবু কান্নবা ফংখিদে। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এস দব্লিয়ু সীনা এ কে এস এবু পাঞ্জল ১-০দা থোইখি।

১৮শুবা জুনিয়র নেসনল ৱুশু চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগদবা শান্নরোয় অমসুং ওফিসল লমথাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ (ঐচএনএস): থা অসিগী ১৫দগী ২০ ফাওবা পঞ্জাবতা চথগদবা ১৮শুবা জুনিয়র নেসনল ৱুশু চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়, কোচ অমদি ওফিসলশিং ঙসি খুমন লম্পাক্তগী লমথাখ্রে।

১৮শুবা জুনিয়র নেসনল ৱুশু চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং অদুদি তাওলু ইভেন্টতা সোহন য়ুম্নাম, ওপাকপী, এস ঐচ সবিতা চনু, ৱাইইচনতোম্বী, ও মালেমঙানবী, দব্লিয়ু নিংথিবী, এল জিবিসন মৈতৈ, ৱাইগীতা, এন খৃষ্টিনা অমদি এল জেটলিনি।

জুনিয়র সানসৌ ইভেন্টতা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং অদুদি টি থোইবী, পি লোয়া, এল ন্যুটোন, পি বোচা, টি ঐচ মালেমঙানবা, লোলি রাকুরজিও, লোলি রাকুজো, সনাৱিবৌ চালাই, কে ঐচ চাউবা, এম রাজলক্সমি, টিপ্রিয়ালক্সমি অমদি পি সনাথোইনি।

য়ুথ সানসৌ ইভেনটতা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং অদুদি এম সামসন, এল দাখো, এস আশা, বি তম্ফাসনা, টি দাইনা অমদি ঐচ চাউবনি।

১৮শুবা জুনিয়র নেসনল ৱুশু চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা শরুক য়াগদবা ওফিসলশিং অদুদি টাওলুগী টিম মেনেজরদা ঐচ দমেন্তি, সানসৌগী টিম মেনেজরনা ঐচ ওমেগা মৈতৈ, তাওলু কোচতা টি ঐচ বিনাপানি অমদি সানসৌ কোচনা কামৈ কলাঙাঙলুনি।

১৬শুবা চান্দম ইনুংঙানবী মেমোরিএল মিনি বোইজ য়ু-১৩ ফুটবোল

বি বি এ ছোটোবেগ্রানা এন ৱাই সী নমদাইলোংবু পাঞ্জল ৫-১দা মায়থীবা পীখ্রে

জিরিবাম, সেপ্টেম্বর ১১ (ঐচএনএস): ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ) না শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল (জে ঐচ এস এস) গী প্লেগ্রাউন্দদা চথরিবা ১৬শুবা চান্দম ইনুংঙানবী মেমোরিএল মিনি বোইজ য়ু -১৩ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল লীগ রাউন্দগী মেচতা বি বি এ ছোটোবেগ্রানা এন ৱাই সী নমদাইলোংবু পাঞ্জল ৫-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম ১১না শরুক য়াদুনা চথরিবা ১৬শুবা চান্দম ইনুংঙানবী মেমোরিএল মিনি বোইজ য়ু -১৩ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি এন ৱাই সী নমদাইলোং অমসুং বি বি এ শান্নখিবা মেচতা এন ৱাই সী নমদাইলোংনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি। অদুগা বি বি এ ছোটোবেগ্রানা বোল কাওবা হৌখি।

ঙসিগী মেচকী অহানবা হাফতা বি বি এ ছোটোবেগ্রাগী শান্নরোয় থোমাস জর্সি নম্বর ৮না মেচকী ১০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা বি বি এগী একাউন্ট হাংদোকখি। মখা তানা ৩৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ২-০দা মাঙজিল থাহনখি। হাফ অদুগী ৩৪শুবা মিনটতা এন ৱাই সী নমদাইলোংগী শান্নরোয় চীংখৈলুং জর্সি নম্বর ৩না পাঞ্জল অমা চনখি। অদুগা বি বি এনা এন ৱাই সীবু পাঞ্জল ২-১দা মাঙজিল থাদুনা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা বি বি এগী শান্নরোয় সী ভিনমাৱি জর্সি নম্বর ৭না ৪৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা, থোমাস জর্সি নম্বর ৮না মেচকী ৫৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা অদুগা সী ভানমাৱি জর্সি নম্বর ৭না ৪৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা বি বি এ ছোটোবেগ্রানা এন ৱাই সী নমদাইলোংবু য়াম্না লায়না পাঞ্জল ৫-১দা মায়থীবা পীখি। হয়েং অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল লীগ রাউন্দগী মেচতা কে এস সী রানিভেঙ অমদি সোনাপুর জিপিএস এ শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা মেচতা কে ঐচ নিলকমলনা সেন্টর রেফ্রি অদুগা জে ইল চোঙলোইনা এ আর ৱান অমদি অনিলকুমারনা এ আর টু অদুগা সাটসুংনা ফোর্থ রেফ্রি ওইখি।

এ দি সী চান্দেল ত্রোফি ২০১৯ সুপর দিভিজন ফুটবোল

এল ৱাই সী সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন চান্দেলনা শীন্দুনা এম য়ু জি ঐচ এস এস গ্রাউন্দদা চথরিবা এ দি সী চান্দেল ত্রোফি ২০১৯ সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এল ৱাই সী সীনা কে দি সীবু পাঞ্জল ৫-২দা থোইখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম তরুক্লা শরুক য়াদুনা লীগ বেসিসতা পাঙথোক্লিবা এ দি সী চান্দেল ত্রোফি ২০১৯ সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১১শুবা মেচ ওইনা কে দি সী অমসুং এল ৱাই সী সী লম্বা তৌনখি।

মেচ অদু হৌবদগী লোইবা ফাওবা এল ৱাই সী সীনা কে দি সীবু য়াম্না লাকচনা শান্নখি। মেচ অদু এল ৱাই সী সীনা কে দি সীবু পাঞ্জল ৫-২দা মায়থীবা পীখি।

এল ৱাই সী সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু এস কে দামে জর্সি নম্বর ১১, দি বি রেঙহোন জর্সি নম্বর ৮, এস এন বেঙপেম জর্সি নম্বর ১৮, এস কে বুঙহোঙ জর্সি নম্বর ২৪ অমসুং কে ঙমশা জর্সি নম্বর ১০না চনখিবনি। মায়থীহৌরবা কে দি সীগী পাঞ্জলশিং অদুনা অঙথোল জর্সি নম্বর ৮ অমসুং মার্কোনি জর্সি নম্বর ৯না মেচকী ১৫শুবা অমদি ৪৭শুবা মিনটতা চনখিবনি।

ঙসি অনীশুবা গ্রাউন্দদা য়ু এল এফ সী অমসুং এন দব্লিয়ু এফ সী লম্বা তৌনগদবা অদু নোংনা মরম ওইদুনা গ্রাউন্দগী ফীভম ফত্তবনা শান্নবা য়াদবদগী থা অসিগী ১৪দা ওইনা শান্নরগনি হায়রি।

৩শুবা দিভিজন ফুটবোল লীগ

এন ৱাই পি সী নিংঙোম্বম্না আর ঈ এফ এ লৈশাংথেম্বু থোইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন, থৌবালনা শীন্দুনা চাওয়াইমা হায়র সেকেন্দরি প্লেগ্রাউন্দদা অহুমশুবা দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯ ঙসিদগী হৌদোকখ্রে। অহৌবা মেচতা এন ৱাই পি সী নিংঙোম্বমনা আর ঈ এফ এ লৈশাংথেম্বু থোইখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চথরিবা অহুমশুবা দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯ ঙসি অহৌবা মেচ ওইনা আর ঈ এফ এ লৈশাংথেম অমসুং এন ৱাই পি সী নিংঙোম্বম লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবগা টিম অনীনা একাউন্ট হাংনবা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনরকখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা হেনজিন্নবা য়াদনা শান্নখিবনা পাঞ্জল অমত্তা লৈনখিদে। অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা এন ৱাই পি সীগী মায়কৈদগী চথরকখিবা ফজরবা এটেক অমদা মেচকী ৩৪শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৬ রাজকুমারজিৎনা পাঞ্জল চন্দুনা ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। পাঞ্জল অদু আর ঈ এফ এনা হন্দোকপা ঙমদবদগী মায়থীহৌখি।

১২শুবা মণিপুর ষ্টেট সব জুনিয়র বোল্লিবোল বোইজ এন্দ গর্লস টুর্নামেন্ট

নুপীমচাগী ফাইনেল মেচতা এন ৱাই ভি এ অমসুং টি আর ভি সী লম্বা তৌনরগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসন মপান কাংজৈবুংনা শীন্দুনা ওইনাম বোল্লিবোল গ্রাউন্দ, পব্লিক হোলদা পাঙথোক্লিবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট সব জুনিয়র বোল্লিবোল বোইজ এন্দ গর্লস টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা ৱিমেন্সকী সেমী ফাইনেল মেচতা এন ৱাই ভি এ, টি আর ভি সী অদুগা মেন্সকী সেমী ফাইনেলদা কে এল ৱাই জি সী অমসুং টি আর ৱাই ভি সী মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ৱিমেন্সকী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা এন ৱাই ভি এনা এম পি এস সীবু সেট ৩-১ (২৫-২৩, ২৯-৩১, ২৫-২৩, ২৫-২২) দা মায় পাকখি। অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা টি আর ৱাই ভি সীনা কে ৱাই এল এস সীবু সেট ৩-০ (২৫-২৩, ২৫-২০, ২৫-১৬) দা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙখি।

মেন্সকী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা কে এল ৱাই জি সীনা কে ৱাই এল এস সীবু সেট ৩-২ (২১-২৫, ২৩-২৫, ২৫-১৩, ২৫-২০, ১৫-১১) দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা টি আর ৱাই ভি সীনা ৱাই এম দি ওবু সেট ৩-০ (২৫-২০, ২৫-১৮, ২৫-২১) দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

ইন্টর য়ুনিট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯, গ্রুপ থ্রী

থৌবাল পুলিসনা অহুমশুবা আই আর বিবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্পাল, সেপ্টেম্বর ১১ (ঐচএনএস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শীন্দুনা ঙসি ৱাংজিং কোদোমপোকপী গ্রাউন্দদা ইন্টর য়ুনিট/বট্টালিয়ন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গ্রুপ থ্রী হৌদোকখ্রে। ঙসিগী অহৌবা মেচতা থৌবাল পুলিসনা অহুমশুবা আই আর বিবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

ইন্টর য়ুনিট/বট্টালিয়ন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গ্রুপ থ্রীগী ঙসিগী অহৌবগী মেচ ওইনা থৌবাল পুলিস অমসুং অহুমশুবা আই আর বি লম্বা তৌনখি। মেচ অদুদা থৌবাল পুলিসনা অহুমশুবা আই আর বিবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখি।

মায় পাক্লবা থৌবাল পুলিসকী পাঞ্জলশিং অদু প্রেমকুমার জর্সি নম্বর ১৩, এম খেনৌ জর্সি নম্বর ৭ অমদি অবিনাশ জর্সি নম্বর ১১না মেচকী ২৬শুবা, ৩৮শুবা অমদি ৫০শুবা মিটনা চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা অহুমশুবা আই আর বিগী পাঞ্জলশিং অদুনা সী ঐচ ওজিৎ জর্সি নম্বর ১৮, এম দি ইলিয়াস জর্সি নম্বর ৭না মেচকী ৫৮শুবা অমদি ৬০ প্লস টু চৎপদা চনখিবনি।

২শুবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯

এফ এফ সী মেলা গ্রাউন্দনা এ এফ সী (বি) অথোকপমবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ (ঐচএনএস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা চাওয়াইমা হায়র সেকেন্দরি প্লেগ্রাউন্দদা পাঙথোকপা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এফ এফ সী মেলা গ্রাউন্দনা এ এফ সী (বি) অথোকপমবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি এফ এফ সী মেলা গ্রাউন্দ অমসুং এ এফ সী (বি) অথোকপম লম্বা তৌনখি।

মেচ অসি হেক হৌবগা টিম অনীনা একাউন্ট হাংনবা অকনবা মওংদা এটেকশিং চথনখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈনখি। অনীশুবা হাফতা এফ এফ সী মেলা গ্রাউন্দনা ফজবা হেল্লক্তুনা মেচকী ৩২শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় দব্লিয়ু কলম্বস জর্সি নম্বর ১৯না একাউন্ট হাংদুনা ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা এ এফ সী (বি) গী মায়কৈদগী পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com